ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

সোইবম লৈকাইদা লৈবা সী এস সী দেটা জেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ৭শুবা ইকনমিক সেন্সস দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা হৌদোকখিবা

লামায় ১

ইন্দিয়ন সোলিদরি কাউন্সিল ন্যু দিল্লিগী এসোসিএট মেম্বর অমা ওইরিবা থৌবাল নোঙ্গাংখোংদগী ডা. অকোইজম প্রিয়োকুমারদা এসিয়া পেসিফিক গোল্ডন এচিভর এৱার্দ ২০১৯ খূৎশিন্নরকখিবা

লামায় ৫

বেবিসনা মীশিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা জোইন্ট কম্মিটি ওন পীপলস ৱেলফেয়র য়াইরিপোক্লা শিল্লগা য়াইরিপোক্কী অকোয়বদা মৈরা রেল্লি চৎপা

লামায় ৫

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা দি সী নীতা অরাম্বমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ৭শুবা ইকনমিক সেন্সস হৌদোকখিবগী শক্তম

লামায় ১

Vol. 43, Issue No.146 | থাংজ, থৱানগী ২৪নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, August 24, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পাউচে পুথোকচরোই

লাক্লিবা ওগষ্ট ২৫দা ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটরস এসোসিএসনগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা য়ূমথোঙ খূদিংদা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা দিষ্ট্রিব্যুটরশিংনা শিন্থা লেপকনি হায়না খঙহল্লকপনা মরম ওইরগা ওগষ্ট ২৫দা পাউচে অসি পুথোকচরোই।

- মেনেজর

HL Poll

Q: Manipur leingakna Japanese Encephalitis ngakthoknaba thourang matik chana loukhatle haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur da nouna amuk helicopter service houdokkhibasi tung koina chatnahanba ngamgani haina khanbra?

Yes 12% No 88%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL	→	BENGALURU
IndiGO		10:30
IMPHAL	→	DELHI
IndiGO		14:30
IMPHAL	→	GUWAHATI
IndiGO		09:45
Air Asia (India)		11:30
IndiGO		12:20
Air Asia (India)		13:00
IndiGO		13:45
Air India		14:20
IMPHAL	→	KOLKATA
IndiGO		11:00
Air India		13:25
IndiGO		14:35
Air India		15:00
Air India		16:55

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৬ °C খ্বাইদগী ঈংবা ২১ °C

মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ১২.১৭ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫২

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪১

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.366664
US Dollar	71.713714
British Pound	87.712872
Australian Dollar	48.346664
Chinese Yuan Renminbi	10.118395
Japanese Yen	0.673669
Malaysian Ringgit	17.125748
Australian Dollar	48.346664
Singapore Dollar	51.653028
South Korean Won	0.059125
Saudi Arabian Riyal	19.123657
Thai Baht	2.334352
Myanmar Kyat	0.04760
Bangladesh Taka	0.84989

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	38502.67
Mumbai	–	Rs	39144.39
Delhi	–	Rs	39786.10
Kolkata	–	Rs	39668.45

অস! লোইরেহে!

- কুমশিদি ঐনা পায়বদগী হার ৱাংলিগা হায়নদ্রে...!

- ꯀꯨꯝꯁꯤꯗꯤ ꯑꯩꯅ ꯄꯥꯌꯕꯗꯒꯤ ꯍꯥꯔ ꯋꯥꯡꯂꯤꯒꯥ ꯍꯥꯌꯅꯗ꯭ꯔꯦ...!



- সার, ঈকং থোক্লুনা লৌ উনদ্রে, মায়েপ লোইশিঙ্গরে, ময়াম হৌগৎনখ্রে!

- ꯁꯥꯔ, ꯏꯀꯪ ꯊꯣꯛꯂꯨꯅ ꯂꯧ ꯎꯅꯗ꯭ꯔꯦ, ꯃꯥꯌꯦꯞ ꯂꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯔꯦ, ꯃꯌꯥꯝ ꯍꯧꯒꯠꯅꯈ꯭ꯔꯦ!

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী মুখৎনবা হোৎনরব্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লরে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী অৱাৎপা ষ্টাফশিং হাপচিনবীদবা অমদি ওফিস হাংননবা তংদাংবা মফম অমা পীবীদবনা মরম ওইরগা একাদেমী অসি মুখৎনবা হোৎনরব্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লরে হায়রি।

খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী ওফিস

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ষ্টেট কলা একাদেমীগী ওইনা ষ্টাফ ৬০ লৈরম্বদগী দাউনসাইজিং তৌদুনা ষ্টাফ ৪১খক লৈখি। হায়রিবা ষ্টাফ ৪১ অসি মথং-মথং পেন্সন ফংখিবনা হৌজিক্তি ষ্টাফ ১৮ খক্তমক ঙাইরে। হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা ফাইনান্সিএল য়র অসিদা ষ্টাফ অহুম অমসু পেন্সন চৎখিদুনা ষ্টাফ ১৫ খক্তা ঙাইহৌরগনি। একাদেমী অসিগী হাঙদুনা লৈহৌরিবা ফমশিং ঙসি ফাওবা হাপ্পীদনা লৈরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী ওইনা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

জেনিমসকী ট্রোমা সেন্টরগী ইক্বিপমেন্ট প্রোক্যুরমেন্টকী এম ও এ খুৎয়েক পীনখ্রে

সী এস আর কনক্লেভ পাঙথোক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী এক্সিদেন্ট এন্দ ট্রোমা সেন্টরগী ইক্বিপমেন্ট অমদি ফর্নিচর লৈনবগী মতাংদা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা জেনিমসকা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট (এম ও এ) খুৎয়েক পীনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরগী মমাঙদা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংগা এম ও এ খুৎয়েক পীনখিবনি। লুপা ক্রোর ৪.৯৫ রোম চঙনা জেনিমসকী এক্সিদেন্ট এন্দ ট্রোমা সেন্টরগী ইক্বিপমেন্ট অমদি ফর্নিচর লৈনবগীদমক এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি (সী এস আর) গী মখাদা শেনফম অসি পীগদবনি।

এম ও এ খুৎয়েক পীনখিবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মখাদা জেনিমসকী এক্সিদেন্ট এন্দ ট্রোমা সেন্টরগীদমক ফন্দ থাদরকপসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। জেনিমসতা নৌনা শেমগৎলিবা এক্সিদেন্ট এন্দ ট্রোমা সেন্টরগী মচাক-মথুমগীদমক মতেং পাংলক্লিবসি অফবা খোঙথাং অমনি। এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা সী এস আরগী মখাদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। এম ও এ খুৎয়েক পীনখিবা অসিগা ঈরোয়নবা অপূনবা শেনফম অসিগী চাদা ১০ হেন্না থাদোরক্লগনি। এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টতা এম্বুলেন্স অমসু দোনেট *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

সেপ্টেম্বর ৬ তগী রেলৱে লাইন কন্সত্রক্সন থিংজিল্লগনি : এস টি দি সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): এসেমব্লী মীফম লোইদ্রিঙৈদা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি (এস টি দি সী) মণিপুরগী দিমান্দগী মতাংদা করি ষ্টেটস লৈবগে, মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব ওইহন্নবা করি থৌরাং লৈবগে হায়বসি মীয়ামদা লাউথোরক্কনি থাজে। চপ চাবা ষ্টেন্দ অমা লাউথোকপীদবা তারবদি সেপ্টেম্বর ৬ তগী রেলৱে লাইন কন্সত্রক্সন থিংজিল্লগনি হায়না এস টি দি সী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খিরাজ য়ুম্নামনা ফোঙদোকখ্রে।

খুন্থোহনবীগী শঙলেন্দা লৈবা এস টি দি সী মণিপুরগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা খিরাজ য়ুম্নামনা হায়খি, কুমজা ২০১২দগী মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা দিমান্দ কয়া তৌদুনা লাক্লি। প্রোটেষ্ট কয়াসু চথখ্রে। হৌখিবা মার্চ ৩দা প্রোটেষ্ট রেলি অমা থাউগ্রাউন্দদগী পেলেস *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

এয়রপোর্ট দ্রগ কেস : কোর্টনা দ্রগস কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট, দিল্লিগী ওফিসল ৩ মচীন হংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী ৬ লোমগী মমাংদা হৌখিবা কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ১১গী নুমিদাংৱাইরমদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী মতম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরম্বা স্পেসল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু)গী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা য়াল্লবা দ্রগশিং ফাগৎখিবগী মতাংদা চথরক্লিবা ৱায়েলদা দ্রগস কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট, দিল্লিগী লাইসেন্সিং ৱাঞ্চকী ওফিসল ৩ কোর্টনা ষ্টেটমেন্ট লৌখ্রে।

এস আই য়ুগী টিম অদুনা দ্রগশিং অদু ফারবা মতুংদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখিবনি। পুলিস ষ্টেসন অসিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ৯ এ/ ২৫ এ/ ২৯গী মখাদা এফ আই আর নম্বর ১১ (১) ২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা কেস অমা লৌখৎখিবনি। অদুবু কেস অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), কোলকাটাদা শিন্নবদগী ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলকখিবনি। *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

চূড়াচান্দপুরদগী কিদনেপ তৌখিবা নুপীমচা ১ নোইদাদগী রেস্ক্যু তৌরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): মমাঙ থাগী ৭ তা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা মাঙখ্রে হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা মিসিং রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা কিদনেপ্পিংগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবা নুপীমচা অদু উত্তর প্রদেশকী নোইদাগী হারোরা সেক্তর-৫ কী মফম অমদগী রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়রি।

চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট অমৃত সিনহা, আই পি এসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কিদনেপ তৌখিবা নুপীমচা অসি নোইদাগী মফম অমদা লৈরে হায়বা খঙবদগী মহাক্লা নোইদা পুলিসকা খুৎশম্নরগা থা অসিগী ১০ দা নুপীমচা অদু রেস্ক্যু *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ৭শুবা ইকনমিক সেন্সস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী সোইবম লৈকাই অয়াংপল্লি রোদতা লৈবা সী এস সী দেটা জেনদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা ৭শুবা ইকনমিক সেন্সস হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা ডা. রঙ্গিতাবলিনা হায়খি, লৈঙাক্কী স্কিমশিং নীংথিনা শেম শারগা মপুংফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবগী-দমক অচুম্বা মওংদা মীয়ামগী ইকনমিক এক্টিভিটিগা মরী লৈনবা দেটা খোমজিনবা মথৌ তাই। *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

জেদ আর ও/জেদ আর এনা হাংখিবনি হায়বা মীওই ২গী মতাংদা পুলিসতা রিপোর্ট তৌরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী খরগী মমাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেল অমসুং চূড়াচান্দপুরগী মফম অনীদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাংখিবা মীওই অনীগী মতাংদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মখোয় অনীমক জেদ আর ও/জেদ আর এগী প্রসিদেন্ট থাংলিয়ানপাওগী পাউতাক মতুংইন্না হাংখিবনি হায়দুনা চূড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা তোঙান-তোঙানবা কমপ্লেন্ট অনী ফাইল তৌরকখ্রে।

দেবিদ খমলিয়ানথাং

গিনহাং তোন্সীং

অহানবগী থৌদোক অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৪গী দিসেম্বর ১৬তা লম্ফেলপাৎতা লৈবা রেসিদেন্সিএল ক্বার্টর অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাংলমখিবা মীওই অদুগী মমিং গিনহাং তোন্সীং, অপোকপা লৈখিদ্রবা বুং দি *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

গভর্ণরনা ষ্টেট লেবেল পাইনএপল ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী খৌশাবুং দি সী সী হেদ ক্বার্টরদা ১২শুবা ষ্টেট লেবেল মণিপুর পাইনএপল ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে।

মণিপুর পাইনএপল ফেষ্টিবেল কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা হেংলেপ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ, টি থাংজালম হাওকিপ অমদি মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমদি চীফ হোষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, ফেষ্টিবেল খূদিংমক পাঙথোকপগী মরম অমমম্ লৈ। মণিপুর পাইনএপল ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা অসিসু কিহোম থারিবা লৌমীশিং অপূনবা প্লেটফোর্ম অমদা পুরক্লগা মফম চাবা য়োনফম থিদুনা এগ্রো টুরিজম চাউখৎহন্নবগী পান্দমদনি। চহী ১১ ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্তুনা লাকপদা পান্দম ফংবা য়াবগী ফীভম উবা ফংলে। মণিপুরদা খ্বাইদগী মরু ওইনা পুথোক্লিবা হোর্টিকলচরগী ওইবা পোথোকশিংগী মনুংদা কিহোমসু অমনি। মীওই কয়ানা কিহোম থারগা হিংনবগী লন্থী ওইনরিবনি।

ষ্টেট অসিদা ক্বিন অমদি ক্যু হায়বনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী কিহোম কয়ামরুম ফংলি হায়না *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

বন্দ হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ট্রাইবেলস লেন্দ এন্দ রিছোর্স প্রোটেক্সন ওর্গনাইজেসন (টি এল এন্দ আর পি ও) তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৪দা বন্দ চথবগা লোয়ননা হায়ৱে শেন্থগী থবকশিং থিংজিল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে হায়রি।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা মিনিষ্টরগী রেসিদেন্সিএল ক্বার্টরদা ঙসি টি এল এন্দ আর পি ওগী মীহুৎশিং অমসুং ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিল মিনিষ্টর এন কাইসিগা ৱারী শানরবা মতুংদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থাজবা কয়া পীরকপনা মরম ওইরগা বন্দগী খোঙজং অসি হন্দোকখিবনি হায়রি।

LOAN FACILITIES AVAILABLE

- Two Wheeler Loan
- Car/Commercial Light Vehicle Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- TV Loan (MI TV)

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung, Moirangkhom
B.O. MG.Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on: www.imphalfinancesociety.in.

HL-B/3573/6/8-6/9

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / SMART Society না লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

SMART Society গী Honourable Founder President, Dr. Narengbam Samarjit Singh মশা হৌজিক-হৌজিক **SMART** Society অসিবু International NGO গী থাক্তা upgrade তৌনবগীদমক্তা অমদি UN গী recognition ফংনবগীদমক্তা Europe লৈবাক্তা লৈখিবনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা Club, CSO, লন্নাইগী, ফুরুপকী লাইনিংগী অমদি Culture গা মরী লৈনবা খূদিংমক্লা Society গী Honourable Founder লিচিং পুরেল ওইবীরিবনা হল্লক্ত্রি ফাওবতং হায়বীনিংবা, থন্বীনিংবা খূদিংমক ঙাইবীনবা মীয়ামদা নোল্লুকচরি।

নোল্লুক্লা হায়জরিবা
DIRECTOR
SMART Society

HL-B/5628/24

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / SALAI HOLDINGS PRIVATE LIMITED না লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

SALAI HOLDINGS PRIVATE LIMITED কী Honourable Chairman & Managing Director, Dr. Narengbam Samarjit Singh মশা হৌজিক-হৌজিক Business trips কীদমক্তা **SALAI** গী Overseas Companies শিং য়েংশিনবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা Pipe Line দা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা Country শিংদতা নৎতনা, India অমদি মরু ওইনা North East কী ওইনা Manipur য়াওনা পায়খৎকদবা Mega Project শিং অদুগীদমক্তা Overseas Bank শিংগা Stakeholder ওইমিন্ননবগী মরু ওইবা Meeting শিং য়াওবা অমদি Meeting শিং Conduct তৌবা চৎখিবনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা Club, CSO, লন্নাইগী, ফুরুপকী লাইনিংগী অমদি Culture গা মরী লৈনবা খূদিংমক্লা **SALAI** গী লিচিং পুরেল ওইবীরিবনা হল্লক্ত্রি ফাওবতং হায়বীনিংবা, থন্বীনিংবা খূদিংমক ঙাইবীনবা মীয়ামদা নোল্লুকচরি।

নোল্লুক্লা হায়জরিবা
BOARD OF DIRECTORS
SALAI Holdings Private Limited

HL-B/5628/24

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

নুংশিজরবা ইরমদম অসিগী ইরৈচা খ্বাই পুম্নমক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা ৱারোল খরদং খঙহঞ্জরি মদুদি North East India Development Party (NEIDP), Central Working Committee গী President ওইবিরিবা ইকায় খুম্নজরিবা Dr. Narengbam Samarjit Singh না Official Tour অমগা মরী লৈননা মপান লৈবাক্তা লৈখিবনা মরম ওইরগা ইকায় খুম্নজরিবা President না ময়াই তাংবল লৌবীগদবা থৌরমশিংদা নুংশিজরবা ইচিল-ইনাওশিংনা Invitation পীবিরকখিবশিং অদুবু President না মপান লৈবাক্কী খোঙচৎতা লৈখিবনা শরুক য়াবা ঙমজরোইদবা অদুগীদমক্তা ঙাকপীনবা নোল্লুক্লা নিংশিংজরি। মসিদসু নৎতনা ইরমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা Club, CSO, লাইনিংগী ওইবা অমদি লৈবিরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী ইচিল-ইনাওশিংনা President উননবগীদমক্তা থন্বীরকপা ৱাফমশিংবু নাথৈজবা নৎচদে President না লমদম তাম্না লৈখিবনা উননবগী মতম অদু য়েথোক-য়েশিন খরা লৈবগীদমক্তসু নোল্লুক্লা পুম্নমক্কী মফমদা ৱারৌবীদনবা খঙহঞ্জরি।

থোইদোক হেন্দোক্লা লাক্লিবা ২০১৯ সেপ্টেম্বর থাদা North East India Development Party (NEIDP) গী ওইবা Political Convention অমা পাঙথোক্লবা হায়দুনা লেপ্পখিবদু President গী মপান লৈবাক্কী খোঙচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়েথোকচরে হায়না NEIDP গী নুংশিজরবা শিন্থারোই খূদিংমক্তা পাউজেল অসি পীজরি। মরম অসিনা নুংশিজরবা ইরমদম অসিগী ইরৈচা খ্বাই পুম্নমক্লা ইকায় খুম্নজরিবা CWC গী President, Dr. Narengbam Samarjit Singh গা লোয়ননা পাংমিন্নগদবা শিন্থা খূদিংমক President না মপান লৈবাক্তগী হল্লক্লবা মতমদা পাঙথোকমিন্নসি হায়না হন্না-হন্না নোল্লুকচবগা লোয়ননা পাউজেঞ্জরি অমসুং খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা
North East India Development Party (NEIDP)
Central Working Committee

HL-B/5628/24